৩৫শুবা এন হজারি এন্দ ডা. এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৯

# এক্স পোলো ক্লব ৱাংখৈ, কে এন্দ এম এম রাইদিং স্কুল সেমী ফাইনেল চঙখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ০৭ (ঐচএনএস): মণিপুর হোর্সরাইদিং এন্দ পোলো এসোসিএসন্না শীন্দুনা মপাল কাংজেবুংদা চথরিবা ৩৫শুবা এন হজারি এন্দ ডা. এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা এক্স পোলো ক্লব ৱাংখৈ, কে এন্দ এম এম রাইদিং স্কুল সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ৩৪না শরুক য়াদুনা চথরিবা ৩৫শুবা এন হজারি এন্দ ডা. এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসিগী শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দদা এক্স পোলো ক্লব অমসুং চীংখৈহুনবা পোলো ক্লব (বি) লম্বা তৌনখি। মেচকী অহানবা চক্রদা চীংখৈহুনবা পোলো ক্লব (বি) না পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদে অদুগা এক্স পোলো ক্লবনা পাঞ্জল ২ চন্দুনা ২-০দা মাঙজিল থাখি।

মেচকী অনীশুবা চক্রদা চীংখৈহুনবা পোলো ক্লবনা পাঞ্জল অমা চনখি। এক্স পোলো ক্লবনা পাঞ্জল ২ অমগা চন্দুনা পূন্না পাঞ্জল ৪ শুখি। অহুমশুবা চক্রদসু চীংখৈহুনবা পোলো ক্লব (বি) পাঞ্জল লৈখিদে। এক্স পোলো ক্লবনা পাঞ্জল ৪ অমগা চন্দুনা পূন্না পাঞ্জল ৮ শুখি। মরিশুবা চক্রদসু চীংখৈহুনবা পোলো ক্লব পাঞ্জল লৈখিদে। অদুগা এক্স পোলো ক্লবনা পাঞ্জল ৪ অমগা চন্দুনা মেচ অদু এক্স পোলো ক্লবনা চীংখৈহুনবা পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ১২-১দা মায়থীবা পীখি।

এক্স পোলো ক্লবকী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু এল অতাঙবা জর্সি নম্বর ২না পাঞ্জল ৫, টি ঐচ জে কোব জর্সি নম্বর ১না পাঞ্জল ৩, পি ওজিৎ জর্সি নম্বর ৩না পাঞ্জল ৩ অদুগা এল তোলোঙখোম্বা জর্সি নম্বর ৫না পাঞ্জল অমা চনখি। অদুগা মায়থীহৌরবা চীংখৈহুনবা পোলো ক্লব (বি) গী পাঞ্জল অদুনা এল কোকেশ্বর জর্সি নম্বর ৪না চনখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (এ) অমসুং কে এন্দ এম এম রাইদিং স্কুল (এ) লম্বা তৌনখি। মেচকী অহানবা চক্রদা টিম অনীনা পাঞ্জল অমমম চন্নদুনা লৈখি। অনীশুবা চক্রদসু মখা তানা পাঞ্জল অমমম চন্নদুনা ২-২দা লৈখি। অহুমশুবা চক্রদসু টিম অনীনা পাঞ্জল ২/২ চন্নদুনা ৪-৪দা অমুক লৈখি। মরিশুবা চক্রদসু টিম অনীনা পাঞ্জল ১/১ চন্নদুনা ৫-৫দা মান্নদুনা লৈবদগী চক্র অমা হাপ্পুনা শান্নখি। চক্র অসিদা কে এন্দ এম এম রাইদিং স্কুল (এ) না পাঞ্জল ১ চন্দুনা মেচ অদু ৬-৫দা মায় পাকখি।

কে এন্দ এম এম রাইদিং স্কুলগী পাঞ্জলশিং অদু ঐচ মুহিন্দ্রোনা পাঞ্জল ৩, দব্লিয়ু জোনিনা পাঞ্জল ৩ চনখি। মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (এ) গী পাঞ্জল অদুনা ৱাই বিনোয়না পাঞ্জল ২, এস বিমোলনা পাঞ্জল ২ অদুগা টি রোসননা পাঞ্জল অমা চনখি।

৯শুবা কাংজম কর্ণজিৎ সিংহ মেমোরিএল সেকেন্দ দিভিজন

# ৱাই য়ু সী ইরোম মৈস্রাওনা পোইন্ট ১৩ ফংদুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ০৭ (ঐচএন এস): ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন্না শীন্দুনা ৱাই দব্লিয়ু সী মালোম গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লিবা ৯শুবা কে কর্ণজিৎ সিংহ মেমোরিএল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা ৱাই য়ু সী ইরোম মৈস্রাওনা পোইন্ট ১৩ ফংদুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

মেচ অসিগী অহানবা হাফতা টিম অনীনা হেনজিন্নবা ঙম্নদনা য়াম্না ফজনা শান্নরকখি। শান্নবগী ২০শুবা মিনটতা আই এফ সী লম্ফেলগী শান্নরোয় গোনশিরনি জর্সি নম্বর ১২না পাঞ্জল অমা চন্দুনা মেচ অদু ১-০দা মাঙজিল থাখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা ৱাই য়ু সী ইরোম মৈস্রাওনা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমদনা লৈখি।

মেচকী অনীশুবা হাফতা ৱাই য়ু সী ইরোম মৈস্রাওগী মায়কৈদগী একাউন্ট হাংনবা অকনবা মওংদা এটেকশিং চথরকখি। মেচকী ৭৫শুবা মিনটতা ইরোম মৈস্রাওনা পেনালটি কিক অমা কাওবগী খুদোংচাবা ফংখি। পেনালটি অদু টিম অসিগী শান্নরোয় সনামচা জর্সি নম্বর ১০না আই এফ সী লম্ফেলগী গোল পোষ্ট মনুংদা কাওশিন্দুনা পাঞ্জল ওস্থোকখি।

মখা তানা টিম অনীনা অহেনবা পাঞ্জল চন্নবা অকনবা মওংদা তক্কদুনা লম্বা তৌনরকখি। অদুবু মেচকী অপীবা মতম ফাওবদা টিম অনীনা অহেনবা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙম্ন দবদগী মেচ অদু ১-১দা দ্রো চৎখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা ৱাই য়ু সী ইরোম মৈস্রাওনা হান্না পোইন্ট ১২ ফংদুনা মাঙজিল থাদুনা লৈরকপনি। মেচ অসিদা ইরোম মৈস্রাওনা পোইন্ট অমগা ফংদুনা পূন্না পোইন্ট ১৩ ফংবদগী টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবনি।

৬৫শুবা নেসনল স্কুল গেমস ফুটবোল য়ু-১৪ বোইজ

# মণিপুরনা বিহারবু পাঞ্জল ১-০দা থোইখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৭ (ঐচএনএস): স্কুল গেমস ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টসনা শীন্দুনা ইম্ফালগী খুমন লম্পাক টর্ফ গ্রাউন্দ, ম্যেন ষ্টেদিয়ম অমদি খুমন প্রেক্টিশ গ্রাউন্দদা চথরিবা ৬৫শুবা নেসনল স্কুল গেমস ফুটবোল অন্দর-১৪ য়ুথ বোইজ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা মণিপুরনা বিহারবু পাঞ্জল ১-০দা থোইখ্রে।



ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদগী লাকপা টিম ৩২না শরুক য়াদুনা চথরিবা ৬৫শুবা নেসনল স্কুল গেমস ফুটবোল অন্দর-১৪ য়ুথ বোইজ ২০১৯গী ঙসি খুমন লম্পাক টর্ফ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেচকী অহানবা গ্রাউন্দদা মণিপুর অমসুং বিহার লম্বা তৌনখি।

মেচ অসিগী অহানবা হাফতা মণিপুরনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নরকখি। শান্নবগী ৩৯শুবা মিনটতা মণিপুরগী ৱাই মোনিশনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মেচ অদু ১-০দা মাঙজিল থাহনখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা বিহারনা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা বিহারগী মায়কৈদগী একাউন্ট হাংনবা হোৎনরবসু ঙমদনা লৈখি। মেচ অসিদা মণিপুরনা বিহারবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা দিল্লি অমসুং ছটিশগর লম্বা তৌনখি। মেচ অদুদা টিম অনীনা হৌবদগী লোইবা ফাওবা লম্বা চানা শান্নখিবনা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদবদগী পেনালটি কাওনখি। পেনালটিদা ছটিশগরনা দিল্লিবু পাঞ্জল ৫-৩দা মায়থীবা পীখি।

অহুমশুবা গ্রাউন্দদা জম্মু অমসুং কাশ্মীর অমদি উত্তর প্রদেশ লম্বা তৌনখি। মেচ অদু হেক হৌরকপগা টিম অনীনা য়াম্না ফজনা শান্নরকখি। অদুবু উত্তর প্রদেশকী মায়কৈদগী ফজবা হেল্লকপদগী মেচ অসিদা উত্তর প্রদেশনা জম্মু অমসুং কাশ্মীরবু পাঞ্জল ৮-১দা মায়থীবা পীখি।

খুমন লম্পাক প্রেক্টিশ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেচকী অহানবা গ্রাউন্দদা অসাম অমদি আই পি এস সী লম্বা তৌনখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা অসামনা বোল হেন্না পায়দুনা য়াম্না ফজনা শান্নখিবনা আই পি এস সীবু পাঞ্জল ৯-০দা মায়থীবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা মধ্য প্রদেশ অমদি ৱেষ্ট বেঙ্গল লম্বা তৌনখি। মেচ অদুদা ৱেষ্ট বেঙ্গলনা মধ্য প্রদেশপু পাঞ্জল ৫-৩দা মায়থীবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

অহুমশুবা গ্রাউন্দদা এন ভি এস অমসুং হরিয়ানা লম্বা তৌনখি। মেচ অদু হেক হৌবগা টিম অনীনা য়াম্না ফজনা শান্নরকখি। অদুবু এন ভি এসনা ফজবা হেল্লকপদগী মেচ অদু দা হরিয়ানাবু পাঞ্জল ৪-০দা মায়থীবা পীরম্লগা এন ভি এস ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

মরিশুবা গ্রাউন্দদা রাজস্থান অমসুং ঝরখণ্ড লম্বা তৌনখি। মেচ অদু হেক হৌবগা টিম অনীনা অহানবা পাঞ্জল চন্নবা অকনবা মওংদা তক্কদুনা লম্বা তৌনরকখি। মেচ অদুদা ঝরখণ্ডনা য়াম্না ফজবা হেল্লকপদগী রাজস্থানবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীরম্লগা ঝরখণ্ড ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

# মেনেজর নোরেন ২০১৯ আই এফ বি বি এন্যুএল কোংগ্রেসতা শরুক য়াখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ০৭ (ঐচএন এস): য় এ ঈগী ফুজাইরাহ জয়েদ স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্কদৌরিবা ৭৩শুবা আই এফ বি বি ৱর্ল্ড মেন বোদিবিল্ডিং চেম্পিয়নশিপকী মাঙওইননা ঙসি পাঙথোকখিবা ২০১৯ আই এফ বি বি এন্যুএল কোংগ্রেসতা ইন্দিয়ন বোদিবিল্ডিং এন্দ ফিটনেস ফেদরেসনগী এথলেটশিং, টিম মেনেজর নোংমাইথেম নোরেন অমসুং ওফিসল ওইনা আই বি বি এফ এফ, এ এফ বি এফকী জেনরেল সেক্রেটরি ডা. সঞ্জে মোরেসু শরুক য়াখ্রে হায়রি। চেম্পিয়নশিপ অসিদা মণিপুরদগী তখেল্লম্বম দুসননা কেজি ৯২দগী ৯৫ ফাওবগী কেটেগোরিদা অদুগা অকোয়জম রতনকুমারনা কেজি ৮৫ মথক্কী কেটেগোরিদা শরুক য়াগনি হায়রি।

ষ্টেট বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০

# ৱাই এম দি ও, এন ৱাই ভি এ, কে এল ৱাই জি এল, আই জি ও মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৭ (ঐচএন এস): ওল মণিপুর বোল্লিবোল এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা আই জি ও হৈগ্রুজমনা শীন্দুনা পাঙথোকপা ৩৯শুবা জুনিয়র বোইজ ষ্টেট লেভেল বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা ৱাই এম দি ও, এন ৱাই ভি এ, কে এল ৱাই জি সী, আই জি ও মায় পাকখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ১০না শরুক য়াদুনা গ্রুপ ৪ থোক্লা খাইদোক্লুনা পাঙথোকপা ৩৯শুবা জুনিয়র বোইজ ষ্টেট লেভেল বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দদা ৱাই এম দি ওনা এস দি সীবু সেট ৩-০ (২৫-২১, ২৫-১৫, ২৫-১২) দা, এন ৱাই ভি এনা ৱাই পি এবু সেট ৩-০ (২৫-১৯, ২৭-২৫, ২৫-১৮) দা, কে ৱাই এল জি সীনা আর সী সীবু সেট ৩-০ (২৫-১৭, ২৫-১৮, ২৫-১৬) দা, আই জি ওনা এস দি আইবু সেট ৩-০ (২৫-২১, ২৫-১৮, ৫-১৯) দা মায়থীবা পীদুনা মথংগী রাউন্দদা খুমাঙ চাওশিনখ্রে।

হয়েং অয়ূক পুং ৮ তাবগী অহানবা গ্রাউন্দদা কে এল ৱাই এস সী অমসুং এস দি আই লম্বা তৌনগনি। অদুগা নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদনা কে ৱাই এল এস সী অমসুং আই জি ও লম্বা তৌনগনি হায়রি।




HL-P/5005/18-31/1-20 nov.




HL-B/5772/26-31oct./1-25nov.




HL-B/5723/8,10,12




HL-B/55645/3-31oct.




HL-B/5749/17oct-16nov.




HL-B/5661/11sept-8Nov.

BUSINESS LOAN AVAILABLE
(Rs. 1 Lakh to Rs. 20 Lakh) 12% P.A.

1. Grocery Shop, Electronic Shop, Gold Shop, Hotel and Fast Food Shops, Cloth Shops, Chicken and Feed Shops, Cosmetic Shop. Wholesaler Shop and any types of Business Loan available.
2. Agri & Horti items:- Fish Farmer, Mushroom Farmers, Vegetable Farmers, etc.
3. Pension Loan available:- 1%, 1.5%, 2%, 2.5% & 2.75%
4. Machinery Items (Stone Crusher, Carpentry Machine, Flex Printer, Embroidery related Equipment, Incubator, Beverage শেম্নবা Machine, Car Wash Machine Set, Iron Soldering Machine, Workshop Equipment, Rice Mill অসিনচিংবা।

N.B.:- Manipur গী মফম খুদিংমক্তা লৈবা থবক ফংদ্রিবা মীওই খুদিংমক অমসুং মরুওইনা নৌনা Business তৌনিংবা অমসুং হান্না মায় পাক্লা তৌদুনা লৈরীবা নহারোলশিংদনা হেন্না খুদোংচাবা পীজগনি।

EMPLOYMENT NEWS : OFFICE ASST. (KAKCHING, KHANGABOK, SEKMAI MOIRANG), Car Driver, SECURITY (Ex-Servicemen), Mechanic & Gr-IV, Computer Operator, Tyre Mistry & Helper(2+2).

DOFSERA At LG MOTORS BUILDING (2nd FLOOR)
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI (HQ), IMPHAL
Mob : 9383154085 Office Hour: 10:00 am - 04:00 pm.

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com